# প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংদুনা বি জে পি পার্টিগী থৌমীশিংনা পার্লিয়ামেন্ট মীফম চখবা য়াখিদববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা এপ্রিল ১২ দা চরা হেনগদৌরি



ফাইল ফোটো

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ ঃ** হৌখিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম চত্থবা য়াখিদবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং লৈঙাক পায়রিবা বি জে পি গী লুচিংবা কয়ানা শগোলশেন নুমিত্তা চরা হেল্লগনি। বি জে পি গী প্রসিদেন্ট অমিট সাহসু চরা হেনবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াগনি। লুচিংবা অদু হৌজিক কাটকাদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলগা মরী লৈননা ভোট খোম্বগী অকনবা থবক চত্থরিবনি। অদুম ওইনমক হন্দক চত্থখিবা পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফমদা ওপোজিসন পার্টিনা হঞ্জিন-হঞ্জিন য়ৈখাই থিনগাইবা থোকহন্দুনা মীফম চত্থবা য়াহনখিদবা অদুবু য়ানিংদবা উৎতুনা চঙশিনগদৌরিবা নোংমগী ওইবা চরা হেনবগী খোঙজং অদুদা শরুক য়াগনি হায়রি।

পার্লিয়ামেন্টকী বজেট মীফম চত্থবা য়াখিদবা অদু কংগ্রেস অমসুং পার্টি অদুগী মরু ওইবা লুচিংবী সোনিয়া গান্ধীনা থোকহনবনি হায়না ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) না মরাল শিরক্লি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি মহাক্কী ওফিসতা থবক তৌগনি। অদুম ওইনমক নুমিৎ অদুদি মহাক চরা হেনগনি হায়না বি জে পি গী ৱাঙাংলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

বি জে পি না মমাঙ চয়োলদা ফোঙদোকখিবদা পার্লিয়ামেন্ট মীফম নীংথিনা চত্থবা য়াহনখিদবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা নোংমগী ওইবা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনগনি হায়না লাওথোকখিবা লৈখ্রে। অদুগুম্বা য়ানিংদবা খোঙজং অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিসু শরুক য়ারগনি হায়বা কনফার্ম তৌরে হায়রি।

ঙরাং রাহুল গান্ধীনা লুচিংদুনা দিল্লিদা লৈবা মহত্মা গান্ধীগী নীংশিং খুবম রাজঘাটতা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখিবা লৈখ্রে। খোঙজং অদু লৈবাক অসিদা খুন্দামিন্নরিবা কাঙলূপশিংগী মরক্তা নুংশি চান্নরা লৈহনবা ঙমদ্রে, দলিটশিংনা খোঙজং চঙশিল্লক্লিঙৈ চৈরক্তা লৈঙাক্লা হিংশাগী থৌদোকশিং থিংবা ঙমদ্রে হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি।

নাকল অমরোমদা চৎলিবা পার্লিয়ামেন্ট মীফম নীংথিনা চত্থবা য়াহনখিদববু য়ানিংদবা উৎতুনা বি জে পি না থা অসিগী ১২ দা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিন্নবা ফিরেপ লৌরক্লিবনি। মমাঙ থাগী অরোয়বা চয়োলদগী চত্থবা হৌরকখিবা অদুগা চৎলিবা থা অসিগী হৌরকপদা লোয়শিনখিবা বজেট মীফম অদু নীংথিনা চত্থবা য়াখিদে। কংগ্রেস, দি এম কে, এ আই এ দি এম কে, টি দি পি অমদি ওপোজিসন পার্টিশিংনা তোঙান তোঙানবা ইশুশিং মরু ওইনা কবেরি ৱাতর মেনেজমেন্ট বোদ লিংবা অমদি অন্ধ্র প্রদেশতা স্পিসিয়েল কেটগোরি ষ্টেতস পীবগী মতাংদা খোঙজং চঙশিল্লকখিবনা মরম ওইরগা সভাগী থবক থৌরম অমত্তা নীংথিনা পায়খৎপা ঙমখিদবনি হায়রি।

# উনাও কষ্টদিদা মীওই অমা শিখিবগা মরী লৈননা হ্যুমেন রাইটসশিংনা উত্তর প্রদেশ লৈঙাক্তা নোটিশ ইশু তৌখ্রে




**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ ঃ** বি জে পি এম এল এ অমনা ইজৎ মাঙহনখি হায়বা নুপী অমগী অপোকপা উত্তর প্রদেশকী উনাও দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী কষ্টদিদা শিখিবগা মরী নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন (এন এইচ আর সি) না উত্তর প্রদেশ লৈঙাক অমসুং ষ্টেট পুলিসতা মীওই অদু শিখিবগী চপ চাবা রিপোর্ট পিরক্নবা নোটিশ ইশু তৌখ্রে। লোয়ননা অৱাবা নংলবা ইমুং মনুংগী মীওইশিংদা মখা তানা খুদোংচাদবা নৎত্রগা মীওৎ-মীনৈ থোকহন্দনবসু খঙহনখ্রে হায়রি।

ইজৎ মাঙহনবিখ্রে হায়রিবা নুপী অদুনা উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথকী য়ূমগী মনাক্তা মথন্তা মৈ থাজদুনা শিজনবা হোৎনরমখিবা নোংমগী মতূংদা নুপী অদুগী অপোকপা পুলিস কষ্টদিদা শিখিবনি।

বি জে পি গী এম এল এ কুলদিপ সিংহ সেঙ্গরনা গেঙ্ক রেপ চত্থখি হায়না মরাল শিদুনা নুপী অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিং চীফ মিনিষ্টরগী য়ূম মনাক্তা লাক্তুনা শিজনবা হোৎনরমখিবনি।

নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না শীরক্লিবা মরাল অদু য়েংশিল্লি। করিগুম্বা মরাল অদু চুম্লম্বা থোক্লবদি মীওইবগী হক তমথিবা মওংদা খোঙ্গাওনরে হায়বদু তাক্লগনি হায়রি।

এন এইচ আর সি না য়ু পি গী চীফ সেক্রেটরী অমসুং ডাইরেক্তর জেনরেল ওফ পুলিসতা থৌদোক অদুগী চপ চাবা রিপোর্ট পীরক্নবা অমদি মথৌদা পূক্নীং চঙদবা অমদি চপ চাবা থবক তৌদবা ওফিসিয়েলশিংগী মথক্তা থবক লৌখৎপগী মতাংদসু রিপোর্ট পীরক্কদবনি হায়রি।

খুদোংথিবা নংখ্রবী নুপী অদুগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংনা থৌদোক অদুগী মতাংদা ৱাকৎপনা এফ আই আর লৌখৎলু হায়বা য়াদে হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি।

কষ্টদিদা মীওই অমা শিখিবা অদুগী চপ চাবা রিপোর্ট পুং ২৪ গী মনুংদা পীরক্নবা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসন্না মরী লৈনবা দি জি পি দা খঙহনখ্রে। রিপোর্ট অদুদা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী হকচাংগী ফিভম মরু ওইনা কষ্টদিদা থমখিবা মতমদা ওইখিবা মীওই অদুগী হকশেলগী ওইবা রিপোর্ট অমদি মেদিকেল চেক-অপ তৌখিবগী রিপোর্টশিংসু পীরক্কদবনি হায়রি।

কম্মিসন অদুনা লৈঙাক্কী চীফ সেক্রেটরীদা হীরম অদুগী মতাংদা মশামক্লা হকথেংননা য়েংশিন্নবা অমসুং অৱাবা নংলবা ইমুং মনুং অদুদা মখা তানা মীওৎ মীনৈ চত্থদনবা অমদি মায়োক্নরা কেস থেংনগদৌরিবা মীওইশিং অকি-অখঙ নংহন্দনবা থবক পায়খৎকদবনি হায়রি।

নাকল অমরোমদা চীফ সেক্রেটরীনা থৌদোক অদুগী মতাংদা মাজিষ্ট্রিয়েল ইনক্বারি চত্থনবা য়াথং পীখিবগা লোয়ননা থবক হৌখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতূং ইন্না চহী ৫০ শুরবা মীওই অদু দিষ্ট্রিক্ট জেলদগী চৎলিবা থা অসিগী নিপানগী নুমিদাংদা হোস্পিটালদা পুখৎতুনা লায়কন্নখি। অদুম ওইনমক মহাক মথংগী নুমিত্তা লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদবনি হায়রি।

মহাক এপ্রিল ৫ দা আর্মস এক্টকী মখাদা ফাদুনা থল্লকখিবনি। লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী লোয়নবীনা ৱাকৎলকপগী মতূং ইন্না নুমীৎ খরনিগী মমাঙদা মীওই মরিগী মথক্তা মরাল শীখি। নুপী অদুনা ৱাকৎ থাঙ্গৎখিবা মতূং মহাক্কী মপুরোইববু মীওই খরনা ফু চৈবগী থবক চত্থরমখি। হৌজিক উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর অদিত্যনাথনা কষ্টদিদা মীওই অমা লৈখিদবগী মতাংদা মরী লৈনবা পুলিস ষ্টেসন্দা রিপোর্ট পুরক্নবা খঙহনখ্রে হায়রি।

কষ্টদিদা মীওই অমা লৈখিদবা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা পুলিস আউট পোষ্ট অদুগী ইনচার্চ অশোক কুমার সিংহ অমসুং বিট কন্সটেবল মরি সস্পেন তৌখ্রে হায়রি।

# ৱেষ্ট বেঙ্গল পঞ্চায়ট মীখলদা থাঙশাং পায়দুনা নোমিনেসন ফাইল তৌবা লাকখ্রে



**বিরভুম, এপ্রিল ১০ ঃ** ৱেষ্ট বেঙ্গলগী বিরভুম দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোলপুরদা লৈবা দিষ্ট্রিক্ট মাজিষ্ট্রেট ওফিসতা পঞ্চায়ট মীখলগা মরী লৈননা ঙসি অয়ূক মোটোর সাইকল তোংবা মীওই কয়া মখূৎতা থাঙশাং, উত্তুপ, থাঙ শুরি, শিংজঙ অমদি মচিন তুম্বা খূৎলাই কয়া পায়দুনা মচিন্দা বন্দে মাতরম হায়বা খোল্লাও লাওদুনা নোমিনেসন ফাইল তৌবা লাকখ্রে।

লমদম অদুদা পাঙথোক্কদৌরিবা পঞ্চায়ট মীখলগী নোমিনেসন ফাইল তৌবগী পুংফম ৱাৎলিঙৈ অয়ূক্কী পুং ১০.৩০ রোম তাবদা খূৎলাই পায়বা মীওইশিং অদু ওফিস অদুদা থোমজিল্লকখি। মীওইশিং অদু করম্বা পার্টিদা য়াওবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। ঙরাং নুমিদাং ইলেক্সন কম্মিসন্না নোমিনেসন ফাইল তৌবগী মতম ঙসি ফাওবা শাংদোক্লবা খঙহল্লকখিবগী [redacted] অয়ূক্কী পুং ১১ [redacted] পুং ৩ ফাওবা [redacted] তৌবা য়াহনখি[redacted] য়াথং মতূং ইন্[redacted] ওইহন্নবগী পা[redacted] ফাইল [redacted] শাংদোকখিবনি [redacted] দিষ্ট্রিক্ট এদ[redacted] অদুদা পুলিস পার্সোনেল অমত্তা ঙাক শেন্দুনা লৈবা উখিদে। তাঞ্জা অদুদা মীওই কয়ানা মখূৎতা থাঙ অমদি খূৎলাই কয়া পায়দুনা চঙশিল্লকখি। মীওইশিং অদুনা মফম অদু থাদোক্তুনা চৎখ্রবা মতূং ফাওবদা এক্সন অমত্তা লৌখৎপগী ফিভম লৈখিদে হায়রি।

বিরভুম হায়রিবা দিষ্ট্রিক্ট অদু ষ্টেট অদুগী ওইনা মীখলগী মতম লাকপদা খ্বাইদগী শাথিবা হিংশাগী থৌদোক তোয়না থোকপা মফমনি হায়রি।

চৈরকসিদা ওপোজিসন পার্টিনা মখোয়গী কেন্দিদেটশিংবু নোমিনেসন ফাইল তৌবা য়াহন্দ্রে হায়না মরাল শীরক্লি। ট্রিনামুল কংগ্রেসকী দিষ্ট্রিক্ট অদু মখোয়না মায় পাক্লে হায়না মমাঙদা হরাও তয়াম্বা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রবনি। জিলা পরিষদকী সিট ৮২ গী মনুংদা ৪১ ফংলে হায়না ফোঙদোকখ্রবনি। হায়রিবা সিটশিং অদু ভোট থাদনবা য়াওদনা মায় পাকখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক সিট ৪২ গী মনুংদা সিট ১ খক্তি ওপোজিসন পার্টিগী মীরেপ অমনা নোমিনেসন ফাইল তৌহৌখি হায়রি।

ট্রিনামুল কংগ্রেসকী লুচিংবা অমনা ফোঙদোরকখিবদা লমদম অদুদা চাওনা মায় পাকখিবা অদু ওপোজিসন পার্টিশিং মপাঙ্গল শোনবা অমসুং মীয়াম্না ট্রিনামুল কংগ্রেসতা থাজবা থম্বদগী ওইখিবনি হায়রি।

# সিরিয়াদা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখিবশিংগী মথক্তা য়ু এস না চপ চাবা পাউখুম পীগনি ঃ দোনাল্ড ট্রম্প



**ৱাসিংটন, এপ্রিল ১০ ঃ** সিরিয়াদা আইন কায়বা মওংদা কেমিকেল এটেক্ট চত্থখিবগী চপ চাবা পাউখুম পীগনি হায়না য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা ৱাশকখ্রে। থৌওংশিং অদুগী মতাংদা নোংচুপ লৈবাক্কী লুচিংবশিং করম্বা এক্সন লৌখৎকদগে হায়বগী মতাংদা খন্নরি হায়রি।

লুচিংবা অদুনা হায়, য়ু এস মিলিটরিনা তৌবা য়াবা কয়া লৈ। অথুবা মতমদা চপ চাবা পাউখুম পীননবা লেপ্পগনি হায়রি। ট্রম্পনা হায়, দৌমাদা হৌখিবা থাংজ নুমিত্তা চত্থরমখিবা থৌওং অদুগী মতাংদা য়ু এস কী ময়েক শেংবা ফিরেপ লৌগনি। লোয়ননা দাইত্ব লৈবা মীওইশিংগী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীগনি।

মেদিকেল সোর্ছকী মতূং ইন্না সিরিয়াগী দৌমাদা কেমিকেল এটেক্টনি চিংনবা তমথিবা এটেক্ট চত্থরকপদা মীওই ৭০ হেন্না শিখ্রে। হৌজিক ফাওবদা মীওই কয়া শিখ্রবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। হীরম অদুগী মতাংদা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমসুং ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুৱেল মেক্রোন ঙরাং নিংথৌকাবা নুমিত্তা উন্নদুনা খন্নখ্রে।

লুচিংবা অনীনা ওইরিবা ফিভম অদুদা চপ চাবা থবক লৌখৎপা পাম্বগী অপাম্বা ফোঙদোক্লখি। ফ্রান্স লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয় বেঞ্জামিন গ্রিভেউক্সনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা এ এফ কী ন্যুজ এজেন্সিনা কোট তৌরদুনা হায়, সিরিয়াদা ওইরিবা ফিভম অদু খাঙবা য়াবা নৎত্রগা য়েংবা য়াবা ফিভম অদুদগী হেন্দোকখ্রবদি চপ চাবা থবক পায়খৎকনি।

লুচিংবা অনীনা উন্নখিবা অদুদা ইন্টিলিজেন্সনা পিরকপা রিপোর্টশিং নৈনবগা লোয়ননা সিরিয়াগী দৌমাদা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নরকখ্রে হায়বা অদু কনফার্ম তৌরে হায়রি।

চৎলিবা চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদা মেক্রোন্না করিগুম্বা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নবগী খুদম চাংদম ফংলবদি সিরিয়াদা ষ্ট্রাইক চত্থগনি হায়না কিহনখিবসু লৈখ্রে।

য়ুনাইটেদ কিংদমগী প্রাইম মিনিষ্টর থেরেসা মেনা হায়, মহাক্লা মেক্রোন্দা য়ু এস কী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প উন্ননবা ৱাফম ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। য়ু এস না মিলিটরি এক্সন লৌখৎলকপদা বৃটেনসু য়াওগদ্র নৎত্রগা শরুক য়াগদ্র হায়না হংলকপা ৱাহং অমগী পাউখুম হকথেংননা পীবা তৌদনা লুচিংবী অদুনা হায়, ওইরক্লিবা ফিভম অদু য়েংলগা চপ চাবা পাউখুম পীবা হায়বদু তঙাই ফদবনি। পাউখুম পীবা হায়বদুদা ঐখোয়না থাজবা থল্লি হায়রি।

য়ু এস কী ইনভোই নিকিহেলি লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কৌখৎতুনা সিরিয়াদা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখিবগী মতাংদা নৌনা থিগৎনবা অমসুং অনৌবা ৱারেপ অমা লৌননবা খঙহনখি।

নাকল অমরোমদা রুসিয়ানা হায়, পুখৎলক্লিবা ৱাফম অদু শৌগৎপা ঙম্লোই লোয়ননা খুদোংথিবা নংলবা লৈবাক অদুদা এক্সন লৌখৎপা হায়বদু য়াবা ঙম্লোইদবা অমনি হায়খি।

রুসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্টর শেরগি লভরোভনা হায়, মোস্কোনা মখোয়গী ওইবা ড্রাফ রিজোলুসন পীখৎকনি। লোয়ননা ওর্গনাইজেসন ফোর প্রোহিভিসন ওফ কেমিকেল ৱিপননা দৌমাদা য়েংশিনবা য়াই। লমদম অদুদা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখিবগী খুদম চাংদম ফংদে। রুসিয়ানা মনিংমখা তম্বা এক্সপার্ট কাঙবু অমা থাজিন্দুনা মফম অদুদা য়েংশিনহনবা য়াগনি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি।

রুসিয়াগী ওফিসিয়েলশিংগী মতূং ইন্না লৈবাক অদুগী স্পিসিয়েল মিলিটরি অমসুং সিরিয়াদা লৈবা রেদ ক্রিসন্টগী কাঙবুনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা দৌমাদা চত্তুনা য়েংশিনখিবদা কেমিকেল খূৎলাই শীজিন্নখি হায়বগী খুদম ফংদে হায়রি।

সিরিয়া-অমেরিকান মেদিকেল সোসাইটিনা ফোঙদোরকখিবদা কেমিকেল এটেক্ট চত্থরমখিবা মতূং দৌমাদা লৈবা মেদিকেল সেন্টরদা মীওই ৫০০ পুখৎলক্তুনা লায়কন্নখি। মীওইশিং অদু কেমিকেল এজেন্ট হকথেংনরুবগী খুদম চাংদম ফংখি হায়রি।

# দুবাইদা দিজিটেল নম্বর প্লেট শীজিন্নবা হৌননবা শেম শাখ্রে



**দুবাই, এপ্রিল ১০ ঃ** দুবাইদা দিজিটেল স্ক্রন য়াওবা গারীগী স্মার্ট নম্বর প্লেট মথং থাদগী ত্রাইয়েল ওইনা হৌদোক্লগনি। হায়রিবা নম্বর প্লেট অদুদা জি পি এস অমসুং ট্রান্সমিটরশিং হাপকনি হায়রি।

অনৌবা নম্বর প্লেট য়াওরবা গারী অদুনা খুদোংথিবা থোকপা মতমদা ইমার্জেন্সি সার্ভিসতা পাউ পীরকপা ঙম্লগী ওইথোকপা লৈগনি। দুবাইদা অনৌবা ট্রান্সপোর্ট সষ্টেম কয়া লাকপগা লোয়ননা মালেমগী ওইবা টেক্নোলোজি হর্ব অমা ওইরগনি।

বিহেকল লাইসেন্স দিপার্টমেন্টকী মকোক সুলটান অবদুলা অল-মর্জুগিনা ফোঙদোরকখিবদা অনৌবা মখলগী নম্বর প্লেট অদু দুবাইগী ড্রাইভরশিংদা খুদোংচাবা ফংহনগনি। মখোয়না গারী থৌবদা লায়না থোকহনগনি। করিগুম্বা গারী অদুনা থেংজিন্নবগী থৌদোক থোকপা মতমদা পুলিস অমসুং এম্বুলেন্স সার্ভিসকা পাউ ফাওনবা ঙমগনি। অনৌবা টেক্নোলোজি অদুনা মহাক্লা চৎকদৌরিবা লম্বী অদুদা ট্রাফিক্কী খুদোংচাবদু লৈবা নৎত্রগা এক্সিদেন্ট থোকপা য়াবা ফিভম অদু খঙবা ঙম্বগী ওইথোকপা লৈগনি। করিগুম্বা গারী অদু হুরান চেঙ্থি থোক্লবসু নম্বর প্লেট অদুনা এলার্ট ওইবা ফিভম অমদা অহোংবা পুরক্তুনা কনবা ঙম্বগী ফিভম লাকহনগনি হায়রি।

সুলটান অবদুলানা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা কা হেন্না শাবা দুবাইগী ঈশিং নুংশিৎকী ফিভম অদুদা দিজিটেল নম্বর প্লেট অদুনা মতিং লৈনা মথৌ তৌবা য়াহন্নবগী ত্রাইয়েল অথুবা মতমদা পাঙথোক্লগনি। অদুগুম্বা নম্বর প্লেট অদু হাপ্পদা শেল কয়া য়াম্না চঙগদগে হায়বদুদি খঙবা ঙমদ্রি।

ত্রাইয়েল চত্থরবা মতূং প্রোজেক্ট অদু পায়খৎপদা লুপা কয়া য়াম্না চঙগনি নৎত্রগা নম্বর প্লেট অদু হাপ্পদা লুপা কয়া তঙাই ফদবা ওইরিবগে হায়বদু চপ চানা লেপথোকপা ঙমগনি। টেক্নোলোজি অদুনা গারী শীজিন্নরিবা ড্রাইভরশিং অদুনা লৈরিবা মফমশিং অদু ট্রান্সপোর্ট ওথোরিটিনা খঙবা ঙমগনি। অনৌবা টেক্নোলোজি অদু অরোন অথুপশিং লৈহন্দনবা অমসুং ইনফোর্মেসন সেক্যুরিটি লৈহনবগী খুদোংচাবা অদু পীরগনি।

দুবাইদা হৌজিক ট্রান্সপোর্টকী লমদা অনৌবা টেক্নোলোজিশিং শীজিন্ননবা থৌরাং তৌরি। ইং ২০৩০ ফাওবদদি মশা মথন্তা থৌজবা গারী চেনহনগনি হায়বগী থাজবা থল্লি হায়রি।

# ট্রান্সজেন্দরশিং পান কার্দ ফংবা য়ারগনি

**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১০ ঃ** লৈঙাক্লা ইনকম টেক্স রুল শেমদোকখিবগা লোয়ননা ট্রান্সজেন্দরশিং অখন্নবা জেন্দর কেটগোরিগী মখাদা পার্মেনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) কার্দ ফংননবা এপ্লাই তৌবা য়ারগনি হায়রি।

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ত টেক্সেস (সি বি দি টি) না পোলিসি অমা শেম্বগা লোয়ননা ঙরাং ট্রান্সজেন্দরশিংবু পান কার্দ এপ্লাই তৌবা য়াবগী ৱাফম অদু ফোঙদোরকখিবনি।

সি বি দি টি গী নোটিফিকেসন অদু সেক্সন ১৩৯ গী অমসুং ২৯৫ ইনকম টেক্স এক্টকী মখাদা ইশু তৌখিবনি। লোয়ননা অনৌবা রুল অদুগী মখাদা ট্রান্সজেন্দরশিংনা পান কার্দ ফংননবা মরন্নাই ওইনা এপ্লাই তৌরকপা য়াহল্লে হায়রি।

হান্না চৎনরম্বা কাঙলোনগী মতূং ইন্না নুপা নৎত্রগা নুপী হায়না খঙনবা জেন্দর কেটগোরিশিং খক্তমক পান এপ্লিকেসন ফোর্ম লৌদুনা এপ্লাই তৌবা য়ারম্বনি। অদুম ওইনমক নৌনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুগী মতূং ইন্নদি ট্রান্সজেন্দরশিংসু পান কার্দ ফংননবা এপ্লাই তৌবা য়ারগনি হায়রি।

ট্রান্সজেন্দর কাঙলূপ্তা লৈবা মীওই পান কার্দ ফংননবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া লৈরম্বনি। আধার লৌবদা থার্দ জেন্দর কেটগোরি খায়দোক্লবসু পান এপ্লাই তৌবদদি খাইদোক্লমখিদে। আধার পায়রবসু ট্রান্সজেন্দরশিং পান কার্দ পায়বগী খুদোংচাবা অদুদি মমাঙদা লৈরমখিদে। হান্না চৎনরম্বা ইন্দিয়া সিটিজনশিংগী ওইবা পান এপ্লিকেসন ফোর্ম ৪৯এ অমসুং ইন্দিয়াগী সিটিজন নত্তবা মীওইশিংগী ফোর্ম ৪৯এএ শেমদোকপগী তঙাই ফদবা লাক্লে হায়না ইনকম টেক্স ওফিসিয়েলনা ফোঙদোরকখি।

ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টনা ইদিভিজুয়েল অমসুং অতোপ্পা মীওইশিংদা অলফাবেট য়াওবা দিজিট তরানা শাবা য়ুনিক পান নম্বর পীরি। হৌজিক লৈঙাক্লা পীরকখিবা য়াথংগী মতূং ইন্না ইনকম টেক্স রিটর্ন ফাইল তৌবা মতমদা আধার তঙাই ফদবা ওইরি।

সেক্সন ১৩৯এএ(২) গী মতূং ইন্না ইং ২০১৭ কী জুলাই ১ ফাওবদা পান কার্দ নৎত্রগা নম্বর পীখি। লোয়ননা আধারগা শম্নহন্নবগী ৱাফমসু খঙহনখিবা লৈখ্রে। চৎলিবা চহী অসিগী মার্চ ৫ ফাওবদা অপদেট তৌখিবা রিপোর্টকী মতূং ইন্না লৈবাক অসিগী মীওই ক্রোর ১৬.৬৫ হেন্না পান কার্দ লৈরে। অদুগা হায়রিবা কার্দশিং অদু আধারগা শম্নহনখি। সি বি দি টি না পান অমসুং আধার লিঙ্ক তৌবগী মখা তানা জুলাই ৩০ ফাওবা শাংদোকখ্রবনি হায়রি।

## GAS TODAY

**Hrangchal Gas Agency**
Booking : 15/03/18
Valid : 12/03/18
Stk : 306
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**Misao Gas Service**
Booking : 20/02/18
Valid : 02/02/18
Stk : 612
Time : 07.30 to 10.30 a.m

**M M Gas**
Booking : 16/02/18
Valid : 14/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m
Rate : Rs. 762.50

**Yairipok Gas**
Booking : 09/02/18
Valid : 02/02/18
Stk : 306
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Maibia Gas, Moirang**
Booking : 20/02/18
Sl. No. 2940
Valid : 19/02/18
Sl. No. 3431
Stk : 306
Time : 07.00 to 11.00 a.m

**J. Rongmei Gas, Wangoi**
Booking : 07/03/18
Valid : 01/03/18
Stk : 196
Time : 06.30 to 09.30 a.m

**Imphal LPG**
Booking : 12/03/18
Valid : 01/12/17
Sl. No. 54200
Stk : 612
Delivery at Heinoupok Godown

### সনা-সুদোকু -১১৩৬ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 3 | 9 | 7 | 5 | 6 | 2 | 4 | 8 | 1 |
| 2 | 1 | 8 | 4 | 7 | 3 | 6 | 5 | 9 |
| 4 | 6 | 5 | 1 | 9 | 8 | 3 | 7 | 2 |
| 8 | 3 | 4 | 9 | 2 | 1 | 7 | 6 | 5 |
| 6 | 7 | 2 | 3 | 5 | 4 | 9 | 1 | 8 |
| 9 | 5 | 1 | 6 | 8 | 7 | 2 | 3 | 4 |
| 7 | 2 | 9 | 8 | 3 | 5 | 1 | 4 | 6 |
| 5 | 4 | 3 | 2 | 1 | 6 | 8 | 9 | 7 |
| 1 | 8 | 6 | 7 | 4 | 9 | 5 | 2 | 3 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1137**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 8 | | | 5 | | | | |
| 3 | | | | | | | 6 | 4 |
| | 7 | | | | | | | |
| 1 | 5 | 8 | | 7 | | | | |
| | 4 | 3 | 8 | 9 | | 5 | 7 | |
| | | 6 | | | | 1 | 2 | |
| | | | | 3 | | 8 | | |
| | | 4 | | | 6 | | | |
| | 3 | | 2 | | | | 1 | |